ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

৬৬-ৰাইল্ড লাইফ ৰীক লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর অৰাংবৌ ন্যুমাইনা সর্টিফিকেট খূৎশিন্নবা

‘লৌ উবা য়াহন্নবা হোৎনরগনি’
☛ লামায় ২

মীয়ামগী মীহুৎকা শম্নদবা মরম্না চাওখৎ থৌরাংদা য়ৌহনবা ঙমদবনি
☛ লামায় ৫

মীতোপ-মীয়ানচা ভোটর লিষ্টতা হাপচিনবা য়ারোই : জে সী আই এল পি এস
☛ লামায় ৬

জর্নেলিষ্ট অমা লালহৌবশিংনা এটেক চখদুনা হাৎখ্রে
☛ লামায় ৮

হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী সব এদিটর বিজয় লাইশ্রম (ময়ায়) দা আর কে মায়পাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপ ২০২১ খূৎশিন্নবা

Vol. 45, Issue No. 197 | লৈবাকপোকপা, মেরাগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, October 12, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

সী এমনা দুর্গা পুজাগী পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস): হয়েংদগী হৌনা মহৌশাগুম পাঙথোক্কদৌরিবা দুর্গা পুজা থৌরমগী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। লৈবাক্কী মফম অতৈদা পাঙথোক্লবগুম্না পুজা থৌরম অসি অরানববু অচুম্বনা মায় পাকই হায়দুনা পাঙথোকপা থৌরমনি হায়বগা লোয়ননা দুর্গা লাইরেম্বীনা হেন্না ঈং-তপ্পা অমসুং চাওখৎপা পীনবীরম্বা ওইরসনু হায়রি। লোয়ননা সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনসু পুজা অসিগী মাঙওইননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গভর্ণরনা চান্দেলগী মীয়ামগা উনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস): মণিপুরগী গভর্ণর ওইনা থবক পুরকপদগী অহানবা খ্বাইদগী চাউবা মীয়ামগা হকথেংনবা থৌরম অমা ওইনা ঙসি গভর্ণর লা গনেসননা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা চৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগা পূন্না ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, চান্দেলনা শীনবনি। থৌরম অদুদা এ দি সী চান্দেলগী ক্যেরটেকর চ্যেরমেন দি রিঙ্গো লমকাং, গভর্ণরগী সেক্রেটরি বোবি ৱাইখোম, গভর্ণরগী ও এস দি অমসুং এ দি সী, ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

ইকোনোমিষ্ট ৩দা নোবেল প্রাইজ পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস): তোঙান তোঙানবা লম্‌শিংদা হন্দক চহী ২০২১গী নোবেল প্রাইজশিং পীখিবগী মখা তারকপদা ইকোনোমিষ্ট দেভিদ কার্দ, জোসুৱা অংগ্রিষ্ট অমসুং গুইদো ইনভেন্সতসু চহীসিগী ওইনা সবজেক্ট অসিদা নোবেল প্রাইজ পীখ্রে।

ইকোনোমিষ্ট অহুম অসিদা লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা অসি মখোয়না চথখিবা নেচরেল এক্সপ্রিমেন্টশিংবু শকখঙলদুনা পীখিবনি। মখোয়গী রিসর্চৱার্কশিংনা ঙসিগী মীরোলদা তোয়না হংনবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীবা ঙমহনবগা লোয়ননা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৭.১৭°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.১৫°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.১১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫০

HL Poll

Q: ECIna athingba thamlaktri haiduna electiongi phunabada nongmei kapnaraklabasu yengduna leithokpa achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Electionga mari leinana erang thoraklibasi matam chana laksinnaba hotnahoubana achumba khongthang oiroidra?

Yes 60% No 40%

অস! লোইরেহে!

- ঐনা পার্টি মশেল হুন্নগুমসি হায়দ্রা?



- পার্টিগীদমক খৎনবীনু, পার্টিদি হোংদোক হোংজিন য়াবা পোৎনি।

নোংমৈ কাপ্পুনা মীখলগী ফূন-চৈনবা থৌদোক হেনগৎলক্লি

য়াইরিপোক য়াম্বেমদা নোংমৈনা ৩ পাল্লে নিঙোম্বমদা অকায়-অতোয় কয়া থোকখ্রে





ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস) : হৌজিক লৈরিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মপুন্সি লোইশিল্লকপনা মরম ওইরদুনা মথংগী কুমজা ২০২২গী মার্চকী অহুমশুবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা পাঙথোক্লগদবা ১২শুবা ষ্টেট এসেম্বলি ইলেক্সনগী মতম নকশিল্লকপগী হৌনবা পোলিটিকেল পার্টি অমদি মীরেপশিংগী ৱার্কর/মেম্বরশিংগগী মরক্তা থোরকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা নোংমৈ পায়দুনা কাপখায়নরকপা থৌদোকশিং মখা তানা থোরকপগী মনুং চন্না অন্দ্রো এ সীগী য়াইরিপোক য়াম্বেমদা মীরেপ অনীগী ৱার্কৰশিংগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোক্তা নোংমৈনা পানবা য়াওনা মীওই ৩ শোক্লে অদুগা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী নিঙোম্বমদনা এক্স এম এল এ সোইবম সুবাসচন্দ্র অমসুং ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট এস কেবিগী ৱার্করশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লরকপদগী অকায় অতোয় কয়া থোকখ্রে।

অহানবগী থৌদোকসি অন্দ্রো এ সীগী হান্নসু য়াইরিপোক য়াম্বেমদা থৌদোক খরা থোকখ্রবা মতুং ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদসু অমুক হন্না এ সী অসিগী মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা এক্স এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমার অমসুং ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট লৌরেম্বম সঞ্জয়গী ৱার্কর/ভোটরশিংগী মরক্তা থোকখিবনি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংলকপা পাউনা হায়, এ সী অসিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অমা ওইরিবা এল সঞ্জয়গী ইলেক্সনগা মরী লৈনবা কেমেরা মীটিং অনী য়াম্বেম ময়ায় লৈকায় (লাইমাং) অমদি য়াইরিপোক নিংথৌনাইদা পাঙথোকখি।

য়াম্বেম ময়ায় লৈকায়দা পাঙথোকপা কেমেরা মীটিং অদু লোইরদুনা নিংথৌনাইদা পাঙথোকখিবা মীটিং অদুদা য়াওনবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটকী সপোর্টরশিং রেল্লিগী মওংদা মফম অদু তান্না লাকপদা য়াম্বেম মখা লৈকায়দসু টি ঐচ শ্যামকুমারগী ইলেক্সন মীটিং অমা পাঙথোক্লম্বগা লোয়ননা এক্স এম এল এগী ৱার্কৰশিংগী মনুংদগী শরুংবম বিমোল কৌবা মীওই অমনা মখোয়গী মীটিং অদু থুগাইবা লাক্লে হায়বা ৱাহৌদগী মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওই অনীগী ৱার্কর/ভোটরশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পা য়াওনা নাকল অনীগী ফূন-চৈনবগী থৌদোকশিংদু থোকখিবনি।

থৌদোক অসিদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

‘হুইয়েন লানপাউ’ গী বিজয় লাইশ্রমদা আর কে মায়পাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপ খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) : ঙসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) গী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা চীং লেন্নবা থৌর মঅমদা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী সব এদিটর বিজয় লাইশ্রমদা চহী অসিগী আর কে মায়পাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপ খূৎশিন্নখ্রে।

এৱার্দ অসি নোঙ্গাখ্রবা আর কে মায়পাকসনাগী মেমোরিএল ত্রষ্টনা শীন্দুনা ঙসি মহাক্কী ৯৭শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা কুমসি চহীগী ওইনা লাম্থোকখিবনি। মপূং ওইবা থৌরমদা ময়ায় তাংবল লৌখিবা দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সকী হান্নগী প্রিন্সিপাল ডা. ওক্রম কুমারনা বিজয় লাইশ্রমদা ফেলোসিপ পীবগী সর্টিফিকেট অমসুং ফেলোসিপ অসিগী মনুংদা য়াওরিবা শেনফমশিংগী মনুংদগী অহানবা থাগী লুপা লিশীং ৩গী চ্যেক মনা খূৎশিন্নখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ডা. ও কুমারনা হায়, মালেমদা পাউমীশিংগী থৌদাং অসি য়াম্না চাউই। ঙসি করি তৌরিবগে হায়বসি ঐখোয়না য়ূমদা পাউচেশিংগী খূত্থাংদগী খঙবা ঙম্মী। অসিগুম্বা য়াম্না মরু ওইরবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

তমেংলোংদা অমুক্কসু অমুর ফালকোন থুংলরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) : খ্বাইদগী লাপ্পা পাইরকপা মাইগ্রেটরি উচেকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অমুর ফালকোনশিংনা মণিপুরদা হেক হেক পাইরকখিবদুগী মখা চথরকপা ওইনা উচেক মখল অসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা কুমসি চহীগী ওইনসু পাইরক্লে হায়না তমেংলোংগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী পুচিং ভিলেজগী চ্যেরমেন রামকোনাং গাংমৈনা ফোঙদোরকখিবদা অমুর ফালকোনশিং অসি ঙরাংদগী হৌনা মহাক্কী দিষ্ট্রিক্টতা পাইরকখিবনি। লোয়ননা কুমসি চহীগী ওইনদি উচেকশিং অসি মমাঙগী চহীগা য়েংনরুবদা খরা ঙনখৎনা পাইরক্লে। অদুম ওইনমক নুমিদাং চূপ্পসি মখোয় কদাইদা য়ারেকপনো হায়বদুমক্তি খঙবা ঙমদ্রি হায়খি।

উচেক মখল অসি কালেন থাগী মতমদা রুসিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুক অমসুং চাইনাগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা মখোয়গী মরূম কোকফমশিং ওইদুনা লাকপনি। অমুর ফালকোনশিং অসিনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

চহী ৬কী নুপীমচা নমজা নমথেক্লরুবা অহল ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) : ঙসিদগীনা চহী ৫ হেনবগী মমাঙ কুমজা ২০১৬কী মে ৯গী নুংথিল পোবোব (পুং ৩.৩০) তা শুপ্পতগী চহী ৬ খক্তা ঙাইরিবী অবেম (অশেংবা মমিং নত্তে) বু মশাগী চহী ৫৫ রোম শুরবা অহল অমনা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবগীদমক অহল অদুবু প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ৬কী মখাদা ফাদোক পীখ্রে।

ফাদোক পীবগী ওর্দর অসি পিক্লিবী নুপীমচাশিংদা চথবা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিংগী ৱায়েল চখনবগীদমক সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীরকখিবা ইন্সত্রক্সনগী মতুংইন্না মণিপুরদা লিংখৎখিবা ফাষ্ট ত্রেক স্পেসল কোর্ট অনীগী মনুংদা কোর্ট নম্বর ৱানগী স্পেসল জজ এস ইমোচানা থা অসিগী ৮দা পীখিবা কেস অসিগী ৱায়েলগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা লাউথোকখিবনি। পিক্লিবী নুপীমচাদা চৎহৈদবা লিচৎ চৎলুবা অহল অদুগী মমিং লাইশ্রম বোচা (৫৫) কৌই। হৈরাঙ্গোইথোং কৈথেলদগী লৈখিদ্রবা এল কুঞ্জবীগী মচানুপানি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা নুপীমচা অসিগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৮*

‘লিগেল রাইটস ওফ এ গর্ল চাইল্ড’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস): অজাদি কা অমৃট মহোটসব অমসুং পান ইন্দিয়া এৱ্যেরর্নেস এন্দ আউটরিচ প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা দি এল এস এ, সেনাপতিনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মণিপুর নোর্থ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (মানেদা) দা ইন্টরনেসনল দে ওফ দি গর্ল চাইল্ডগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অসিগী টোপিক ‘দিজিটেল জেনরেসন, অৱর জেনরেসন’ হায়বা টোপিক অসিবু দি এল এস এ সেনাপতিগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*


মরোল থোকপা লাই
I STAND FOR THE POOR PEOPLE
হয়েং ঐনা অমুক শুমদংঙলগা চারক্কনি খংদেনে অসংবসিংসে

পার্টিশিং ৱাখল্লোন মান্নদবনা চাওখৎ থৌরাংশিং য়াঙশিনবা ঙমদ্রে : বিরেন

চীফ মিনিষ্টরনা খুদক্তা হ্বিল চ্যের খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টিশিংগী মনুংদা অমগা অমগগী ৱাখল্লোন খেন্নবনা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং মপূং ফানা নীংতম্না পাঙথোকপা ঙমহন্দ্রে। মরম অদুনা বি জে পিনা লাক্লিবা এসেম্বলি ইলেক্সন অসিদা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংননবা হোৎনবীয়ু। মসিনা মণিপুরবু হেন্না চাওখৎহনবা ঙমগনি হায়না ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা লৈঙাক অসিগী গো টু হিলস - ২.০গী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা লুচিংলিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিবু ৱারৌরদুনা মহাক্লা মখা তানা হায়, চুংশিন্নরিবা পার্টি মশেলগী মরক্তা অমগা অমগগী ৱাখল্লোন্দা খেন্নবা লৈরে। মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং হায়বসি লৈঙাক অদুদা ঈং-তপ্পা অমসুং মরা চেৎপা লৈতনদি ওইথোক্লোই। মরম অসিনা অসিগুম্বা মথৌ তারিবা মরু ওইবশিং অসি লৈহন্নবগীদমক পার্টি অমখক্তগী ওইবা লৈঙাক লৈহনবা মথৌ তারে। লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংশিং অমসুং মীয়াম পূম্নমক্কী অৱাবশিং কোকহন্নবা অঙম্বা পান্থে পুথোক্কুনা হোৎনরি। মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাকশিংগা মান্নদবা মওংদা বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিনা লৈঙাকলোনদা খক নত্তনা মহাক্কী লৈঙাক্লা মীয়ামগী ঈং-তপ্পা পুন্সি মহিং অমসুং মহয় চাগদবা অনৌবা ৱাখল্লোনশিংগা লোয়নবা অচেৎপা খোঙফম অমদা চঙশিল্লক্লিবনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হন্দক্তা লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী মতাংদা পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসননা পীরিবা হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চৎন-কাঙলোনশিং অদুদা অমত্তা ফাওবা হোংদোক হোংজিন তৌরোই ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

প্রসিদেন্ট শর্দানা থম্বাল কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎতা লাক্লমখিবা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা ঙরাং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী নৌনা শাবা ওফিস বিল্ডিং, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট ওফিসশিং শঙ্গারম্বগা লোয়ননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস অসিবু থম্বাল শঙলেন হায়না মিংথোন পীরল্লবা তুংদা ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা থম্বাল কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে।

থম্বাল কেম্প্যেন অসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসতা বি জে পিগী সিম্বোলবু ৱালদা নম্লদুনা হৌদোকখিবনি। থম্বাল কেম্প্যেন হৌদোকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট পি ঐচ ফোনি মৈতৈ অমসুং বি জে পি পাৎশোই মন্দলগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা হৌদোকখিবা কেম্প্যেন অদুগী শরুক অমা ওইনা বি জে পিদা নৌনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

অসুক অমসুং এন এল এফ টিনা ওক্টোবর ১৫দা টোটেল শটদাউন তৌগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস) : মণিপুর অমসুং ত্বিপরা (ত্রিপুরা) বু ইন্দিয়াদা নমদুনা তিলহনখিববু য়ানীংদবা উৎলদুনা মণিপুর অমসুং ত্বিপরাগী নীংতম ঈহৌশিংগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা থা অসিগী ১৫গী অয়ূক পুং ৬তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা ষ্টেট অনীসিদা টোটেল শটদাউন লাউথোকখ্রে।

এলাইএন্স ফোর সোসলিষ্ট য়ুনিটি কংলৈপাক (অসুক) কী চ্যেরমেন এন ওকেন অমসুং নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ত্বিপরাগী প্রসিদেন্ট ঐচ য়ু বোরোক য়াওবা অসুক্কী পব্লিসিটি কম্মিটিগী কনভিনর এস মঙালনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা মণিপুর অমসুং ত্বিপরা (ত্রিপুরা) অনী অসি তোঙান তোঙানবা কলচর অমসুং কাঙলূপশিংগী ওইবা মতমদুদা লৈরম্বা প্রিন্সলি ষ্টেট ৮০০ রোমগী মনুংদা অয়াম্বা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ওক্টোবর ১৫দা সোরেপানা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ : লাক্লিবা ওক্টোবর ১৫ অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নমলৌ লৌশিনখিবগী য়ানীংদবা ফোঙদোক্কুনা লৈবাক মীয়াম হুপ্না ফোঙদোকমিন্নবা ওইনা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা সোসিএলিষ্ট রেভল্যুস্নরি পার্টি (সোরেপা) না কংলৈপাক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক থমজরে হায়রি।

ৱাফম অসি সোরেপা, কংলৈপাককী পব্লিসিটি-ইন-চার্জ এম সী য়াইফবীগী চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোলসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়ানা কংলৈপাক/মণিপুরবু কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা শিল্লোংদা ঐখোয়গী নিংথৌগী খূৎয়েক নমদুনা লৌরগা, কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা নমলাও লাউথোক্লগা ইরমদম অসি নমলৌ লৌশিনখিবনি (এনেক্সেসননি) হায়বসি হৌজিক্তি লোইনমক খঙনরে। ঐখোয়গী মীয়াম্না হিংলক্লিবসি চহী ৭২ হেল্লক্লে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা মীওইবা অমনা ফংফম থোকপা হক ফংহন্দনা, ঙক নোঙ্জদুনা হিংলকপা অসি কুইরক্লে। ইন্দিয়াগী লৈঙাক অসি অচুম্বা নত্তে, কংলৈপাক/মণিপুরগী মীওইবা খুন্নাইবু মালেমদগী মপূং ফানা মুথৎলগা (জিনোসাইদ) গী লাংলৌনি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। ইরৈবাক্কী নীংতম য়াওল্লুপশিংনা য়াওল ঈহৌ চঙশিল্লিবসি ইন্দিয়ানা ঐখোয়বু নমলৌ লৌশিনখিবদুগী (এনেক্সেসনদুগী) চপ চাবা লৈশেমলোনগী পাউখুম অমনি। ঐখোয়গী য়াওল লাম্হেংনা ইন্দিয়া লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা লেপ্পুনা লাম্হেংনরি। নোংচুপ থংবা খা নোংপোক এসিয়াগী (ৱেসিয়াগী) নীংতমজরম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা নীংতম্না পাঞ্জরম্বা লৈবাক অমনি হায়বসি মালেম পূম্বনা খঙনৈ হায়রি।

বৃটিশ প্রোটেক্টোরেট ওইনা চহী কয়া লৈরম্লবা মতুং বৃটিশনা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪দা নীংতম্বা পীরম্লবা মতুংদা ঐখোয় নীংতম্না কনাগীসু মীখা পোন্দনা চহী অনীমুক পাঞ্জরম্লবনি। নীংতম্বদা ঙাইজরিবা অপিকপা লৈবাক অমা ওইনা মশাগী লৈবাক্কী ওইবা মপূং ফাবা লান্মীগী পাঙ্গল অমা শাগৎচবা ঙমদ্রিঙৈগী খুদোংচাবা লৌরগা অচৌবা লৈবাক অমা খা-এসিয়া অমদি খা-নোংপোক এসিয়াদা শেমগৎনবগী মঙ মঙলিবা ইন্দিয়ানা ইরৈবাক অসি নমলৌ লৌশিনখিবনি। হৌখিবা চহী ৭০ মুক অসি মীনাই নাইথাংগী চৈথেং ফংদুনা ঐখোয়গী মীয়াম অসি মীওইবা অমগী ফংফম থোকপা হক ফংদনা লাক্লি। চৈথেং অসি নোংম-নোংমগী হেনজিল্লক্লি হায়রি।

লৈবাক অসিগী মীওৎ মীনৈ অসি ঐখোয়গী মীরোলনা থেংনরিবসি করিগীনো হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না নৈনফম ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

First COME First SERVE
0% Down Payment

Easy Loan Available
Durga Puja Special Offer
- Take any two wheeler
- No Guarantor required
- One Day Delivery
- Limited days offer

Area Covered: Imphal-East/West
T & C apply
Pliz contact :-
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
B.O:-Paona Bazar,Imphal-West
HL-P/0299/10th Oct to 9 Nov.

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫